ꯏꯔꯩꯕꯥꯛ
ইরৈবাক

১৯ শুবা চহি ৩৩৬ শুবা মশিং | ইম্ফাল, জনুৱারি ১৯, ২০২২ ৱাকচিংগী ১৬ নি পানবা য়ুমশাকৈশা | www.ireibak.in | লুপা ১.৬০

জয়কিষন তাম্থোকখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী কংগ্রেসকী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষন ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেসতগী তাম্থোকখ্রে। কংগ্রেসকী প্রাইমারি মেম্বরসিপ্তগী সসপেন্দ তৌরে হায়না মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি (এডমিনিষ্ট্রেসন) হরেস্বর গোস্বামিনা ঙসি ওর্দর অমা থোকখ্রে।

এম পি সি সিগী ডিসিপ্লিনরি এক্সন কম্মিটিনা পুখৎলকপা ৱাফম কুপ্না খন্নরবা মতুংদা পার্টিগী প্রসিডেন্টনা রিকমেন্দ তৌরকপগী মতুং ইন্না আই এন সিগী কন্সটিট্যুসনগী মখাদা পার্টিদগী তাম্থোকখিবনি। পনবা য়াবদি জয়কিষন ১১ শুবা মণিপুরগী মীখলদা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রদা আই এন সিগী টিকেৎতা মায় পাকখিবনি।

তেংনৌপল ডিষ্ট্রিক্টকী কোনাইতোং ভিল্লেজগী চীংমাইশিং কল্লা থাবদা চুনবা মফম অমা ওইরে

এক্টিভ কেস ১,৭৯১ য়ৌখ্রে, পুং ২৪ দা চাদ ১৪ গী চাংদা

মীওই ৩৮০ নৌনা পোজিটিভ ওইরে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ নুংতি নুমিৎ খুদিংগী ১০০ না খুজিং ওইরগা পোজিটিভ ওইবগী চাং হেনগৎলক্লি। মরু ওইনা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈবশিংগী মরক্তা মথং-মথং পোজিটিভ ওইদুনা লোকেল ট্রান্সমিসন চাওনা থোক্লব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কোভিদ ১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপশিং অথুবদা ইন্সটিট্যুস্নেল ক্বারেন্টিন তৌদুনা থম্মবা অমদি জেনরেল পোপুলেসন্দগী লাপ্না থম্মবা খঙহল্লকপ্ত্রবসু মণিপুরদা ই সি আইগী গাইদ লাইন ইন্দবগী মমি চাওনা তারে হায়রি।

মরক অসিদা পুং ২৪ অসিদা মীওই ২,৭২৪ টেষ্ট তৌবদা চাদ ১৪ গী চাংদা মীওই ৩৮০ পোজিটিব ওইরে। কোভিদ ১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোলদা জেনরেল পোপুলেসনদগী নুপা ১৯০, নুপী ১৮২, সেন্ট্রেল আর্ম পুলিস ফোর্সকী পার্সোনেল ৮ নৌনা পোজিটিব ওইবা থেংনরে। অনৌবা পোজিটিব কেসশিং অসি রিমস ২২, জেনিমসতা ৪৮, অতৈ টেষ্টিং সেন্টরদা ৩১০ থেংনখিবনি। জেনরেল পোপুলেসনগী অনৌবা পোজিটিভ কেসশিং অসি ইম্ফাল ইষ্টতগী ৭৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৪৮, থৌবাল ১৬, বিষ্ণুপুর ১৬, ককচিং ৩, কাংপোকপী ২৪, নোনে ১, উখ্রুল ৫, তমেংলোং ২, তেংনৌপল ১, সেনাপতি ২, চান্দেল ২, চুরাচান্দপুর ৭৩ নি। ডিষ্ট্রিক্টশিংদা পোজিটিভ ওইবগী চাং ইম্ফাল ইষ্টতা চাদ ১৮.৬, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৫.৪, চান্দেল ২.৯, বিষ্ণুপুর ১৩.৩, ককচিং ৫.৭, থৌবাল ১২.৭, চুরাচান্দপুর ২৬.৭, তেংনৌপল ৭.১, কাংপোকপী ২৮.২, চুরাচান্দপুর ২৬.৭ ওইখি। জিরিবাম, কামজোং অমদি ফেরজোল ডিষ্ট্রিক্টতা পুং ২৪ অসিদা অনৌবা পোজিটিব কেস অমত্তা য়াওখিদে।

অমরোমদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ ১৯ দেথ ওডিট কম্মিটিগী রিপোর্টতা পুং ২৪ অসিদা মীওই অমত্তা শিবা য়াওখিদে। অশিবা মশিং ২০১৫ দা লেংদনা লৈরি। ঙসিগী ওইনা মীওই ৪৬ ডিসচার্জ তৌখি। ডিচার্জ তৌখিবশিং হোম আইসোলেসন ২২, জেনিমস ৩, কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী ২১ নি। জনুৱারি ১৮ ফাওবদা মণিপুরগী পোজিটিব ওইবা মীশিং ১,২৭,৮৭৩ য়ৌখ্রে। লায়েংবদগী ফগৎলকপদা ১,২৪,০৬৭ নি। এক্টিভ কেসতা মীওই ১,৭৯১ লায়েংদুনা লৈরি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপুলেসনগী ১৫১২, সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি পার্সোনেলদা ২৭৯ নি। রিকোভরি রেটনা চাদ ৯৭.০২ ওইরি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ডি টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ৩৩২, বি টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ৪২ ষ্টেটকী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা ফংহনখি। মখা তানা জনুৱারি ১৮ ফাওবদা ষ্টেট অসিগী কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপা মীশিং ২৩,০৫,৯৬৫ য়ৌখ্রে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজ কাপ্পনা ১৩,৬৬,৩০০ নি। অনিশুবা দোজ কাপথোকপনা ১০,২১,৭৪৩ নি। লোয়ননা চেকশিন থৌরাং ওইনা বুষ্টর দোজ কাপথোকপা মীশিংনা ৭,৯২২ য়ৌখ্রে। দিষ্ট্রিক্টশিংদা ভেক্সিন কাপথোকপগী চাংনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অহানবা দোজ চাদ ৬৯.৭৪, অনিশুবা দোজ ৫২.০৫, চান্দেল অহানবা দোজ চাদ ৬৭.৩৯, অনিশুবা দোজ ৫৩.২৩, চুরাচান্দপুর অহানবা দোজ চাদ ৫৭.৯৭, অনিশুবা দোজ ৪৪.৬২, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ চাদ ৭১.১৬, অনিশুবা দোজ ৫৪.৫৫, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ চাদ ৭৪.৫৩, অনিশুবা দোজ ৫৮.৯১, সেনাপতি অহানবা দোজ চাদ ৩৩.১০, অনিশুবা দোজ ২৪.৯২, তমেংলোং অহানবা দোজ চাদ ৪১.৫৬ নি, অনিশুবা দোজ ৩০.০১, থৌবাল অহানবা দোজ চাদ ৫৯.১৬, অনিশুবা দোজ ৪০.৪৮, উখ্রুল অহানবা দোজ চাদ ২৫.৮১, অনিশুবা দোজ ১৯.১৫, তেংনৌপল অহানবা দোজ চাদ ৪৬.৬২, অনিশুবা দোজ ৩২.৬৫, কাংপোকপি অহানবা দোজ চাদ ২০.১৬, অনিশুবা দোজ ১৩.৫০, কামজোং অহানবা দোজ চাদ ৩৪.৭০, অনিশুবা দোজ ২৩.১৬, জিরিবাম অহানবা দোজ চাদ ৭১.৮২, অনিশুবা দোজ ৫৯.৪৩, ফেরজোল অহানবা দোজ চাদ ৩৪.০৭, অনিশুবা দোজ ৩২.১১, নোনে অহানবা দোজ চাদ ৪১.১০, অনিশুবা দোজ ২৯.৩৭, ককচিং অহানবা দোজ চাদ ৭৪.৫২, অনিশুবা দোজ ৫৮.৪১ নি। মনিপুরগী ওইনা অপুনবা ভেক্সিনেসনগী চাং অহানবা দোজ চাদ ৫৭.৫৭, অনিশুবা দোজদা ৪৩.৬৫ নি।

নৌনা কোভিদকী পোজিটিভ কেস হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা জেনিমসতা কোভিদকী অপুনবা বেদ ৩০০ দা মীওই ১৮ লৈরগা অহাংবা বেদ ২৮১ লৈরি। রিমসতা ওইনা বেদ ১৯০ লৈবদা ৭৫ দা অনাবা লৈরগা ১১৫ হাংলি।

মরক অসিদা জনুৱারি ১৪ দা এয়র ইন্দিয়া ৭১৫ কী সিট নম্বর ১৭ তগী ২৪ ফাওবদা তোংলকখিবা এয়র পেসেঞ্জরশিং নুমিৎ অসিমক্কী ইন্দিগো ফ্লাইট ৬ ই ৬০১৪ গী সিট নম্বর ১৩ দগী ৩১ ফাওবদা তোংলকখিবা পেসেঞ্জরশিংনা কোভিদ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী টেলিফোন নম্বর ১৮০০৩৪৩৮১৮ নৎত্রগা মরী লৈনবা ডিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসারগা অথুবদা পাউ ফাওনগদবনি হায়রি।

চুরাচান্দপুরগী পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ঃ চুরাচান্দপুর অমদি ফেরজোল ডিষ্ট্রিক্টকী এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬ তা অহানবা রাউন্দগী ওইনা মীখলদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী ট্রেনিং ঙসিদগী চুরাচান্দপুর গভর্ণমেন্ট কলেজতা হৌখ্রে। ট্রেনিং অসি জনুৱারি ২২ ফাওবা চংথগনি।

ঙসি ট্রেনিংগী অহৌবা নুমিৎতা নুপা প্রিসাইডিং ওফিসার ৩৪৪ অমদি পোল্লিং ওফিসার নুপা ৩৪৫ মাষ্টর ট্রেনরশিংনা ট্রেনিং পীখি। থালোন অমসুং তিপাইমুক এ সিগী রিটর্নিং ওফিসার সি ঐচ সচিনা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদু হকথেংননা য়েংশিনখি। ঙসিগী ট্রেনিং সেসন অদদা ওডিও ভিজুয়েল শীজিন্নদুনা মীখলদা পোল্লিং পার্সোনেলশিংনা তৌগদবা থবক- থৌরমশিং উৎপা অমদি তাকপা লোয়ননা ইলেক্ট্রোনিক ভোট্টিং মেছিন হকথেংননা শীজিন্নবগী মতাংদা তাকপী-তম্বীখি।

ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না হন্দক্কী মীখল অসিদা ভোট্টর ভেরিয়েবল পেপর ওডিট ট্রেল (ভি ভি পি এ টি) শীজিন্নবগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। মরমদি হন্দক্কী মীখলদা পোল্লিং বুট অয়াম্বদা ভি ভি পেদ অসি শীজিন্নবা পান্দম থল্লি। এসেম্বলি সেগমেন্ট তরুক ৫৫ তিপাইমুখ, ৬৫ থানলোন, ৫৭ হেংলেপ, ৫৮ চুরাচান্দপুর, ৫৯ সাইকোৎ, ৬০ সিংহাৎ হায়রিবা চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল ডিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা এ সিশিং অসি ফেব্রুৱারি ২৭ দা পাঙথোক্কদবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ভোৎ থাদনগদবা কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংনি। এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬ অসিদা লৈরিবা ভোট্টর মশিং অসি ২,২১,৩৬২ নি। লোয়ননা ডিষ্ট্রিক্ট অনি অসিগী এ সি তরুক অসিগী অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসন্না ৩৫৭ নি। মরক অসিদা ডি ই ও চুরাচান্দপুরনা মীখলগী থবক চৎকদবা পার্সোনেলশিংগী মরক্তা অনা-অয়েক য়াওরকপগী মতাংদা য়েংশিন্নবা ডিষ্ট্রিক্ট মেডিকেল বোর্দ অমা শেমদুনা মীখলদা মথৌ য়াওদনবা এপ্লিকেসন পীরকপশিং য়েংশিনবা হৌখ্রে। মসিগা লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা ডি সিগী ওফিসতা লৈরিবা ষ্ট্রোংরুমশিং য়েংশিনবা য়াগনি হায়বগী ৱাফম খঙহনখ্রে। হয়েংসু ট্রেনিং মখা চংথগনি হায়রি।

কোনাইতোং খুলগী চীংমাইশিং কল্লা পাম্বী থাবদা পক্লবা মফম ওইরে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ঃ তেংনৌপল ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোনাইতোং খুলগী চীংমাইশিং কল্লা থাবদা পক্লবা মফম অমা ওইরে। লৈঙাক্লা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা কুপ্না থিজিল্লবদি তেংনৌপল ডিষ্ট্রিক্ট অসিসু লমদম অসিগী কল্লা পুথোকপা ডিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুং চনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়রি।

কোনাইতোং খুল অসি থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক্তগী কিলোমিটর ১৫ রোম চৎলগা লৈবনি। খুল অসি লফোই অমদি কালেনগী মনা-মশিং পুথোকপদসু মমিং য়াম্না চৎলি। খুল অসিদগী দাংশৱা কানত্রিমা দানিয়েল মরিং চহি ৩৪ না ময়ুম মনাক নক্লা লৈবা চীংমাই অমদা লৌখাই অমরোমদা চাংয়েং ওইনা কল্লা পাম্বী ২০০ রোম থাবদা ময়া পাক্তুনা ঙসিদি হোৎনজমলগী মহৈ চাবা মীওই অমা ওইবা ঙমখ্রে।

মহাক্কী কল্লা ফার্ম মায় পাকপা অসিনা কোনাইতোং খুলগী চীংশাং পরেং অয়াম্বা কল্লা থাবদা পক্লবা মফম ওইরগনি। পাউমীশিংনা দানিয়েল মরিংগী কল্লা ফার্মদা হকথেংননা চক্তুনা ৱারি শান্নবদা মহাক্লা ফোঙদোরকপদা কুমজা ২০১৫ দা চাংয়েং ওইনা কল্লাশিং অসি থাবনি। মতম অদুদা মহাক্লা থারিবা চারাশিং অদু কল্লা পাম্বীনি হায়না মশক খঙলগা থাবা নত্তে। ককচিংদা লৈবা অঙ্গুর ফার্ম অমা উবদগী হৈ চারা থানিংবগী অপাম্বা ফাওরক্তুনা অঙ্গুর ফার্মগী মপু রোবিন্সন কৌবা অমনা অঙ্গুর চারা ১০০ রোম পীরক্তুনা অহানবা ওইনা থাবা হৌখি। অঙ্গুর থাবা অদু মায় পাকখিদে।

মদুগী মতাংদা কোনাইতোং খুলদগী হোর্টিকলচর ডিপার্টমেন্টনা দ্রাইভর ওইবা মীওই অমনা চান্দেলদা ডিষ্ট্রিক্ট হোর্টিকলচর ওফিসার ওইনা থৌ পুরম্বা থাংমৈবন্দগী ব্রোজেন কৌবা অমগা খুরাইদগী ইবোতোম্বী কৌবা ষ্টাফ অমগা শক খঙনহনখি। ওফিসার অদুগী য়ুমদা চারা শেম্বা উহৈ চারা ৭০০ রোম লেম্না পীরকখি।

কুমজা ২০১৫ দা চীংগী ডিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মীখল পাঙথোকপা মতমগা ফাংজিন্নবদগী মতম চানা উহৈ চারাশিং অদু থাবা ঙমখিদে। মতম খরা হৌখ্রবা মতুংদা চাংয়েং ওইনা উহৈ চারা ২০০ রোম থাখিবনি। চাওরাক্লা চারা ১২০ রোম হিংখি। কুমজা ২০১৮ দা চারাশিং অদু মপুং মরৈ ফারক্তুনা উহৈ পানবা হৌরকপদা কল্লানি হায়বা খঙলকখি। কুমজা ২০২০ দা পাম্বী তেকথবমখৈ কল্লা পানবদগী মফম অদু কল্লা থাবদা পক্লরে হায়বা খঙবা ঙম্ননি। কুমজা ২০২১ দা মহাক্লা ফার্ম অসিদগী কল্লা কিলোগ্রাম ৫০০ রোম য়োন্দুনা লুপা ৪০,০০০ রোম তানবা ঙমখ্রে।

মহাক্লা হায়, কল্লা ফার্ম অসি খরা চাওথোকহল্লগা অহেনবা উহৈশিং মরু ওইনা কিহোম, অৱাথবি, হৈজাং, লফোই, চম্প্রা, হৈথুম্নচিংবা মরাং কায়না পুথোক্লবা পান্দম থল্লি। হৌজিকমক্কীদি উহৈ ৱাহৈ থাবগী ট্রেনিংনচিংবা য়াওবা লৈত্রি। ট্রেনিং য়াওদুনা এক্সপার্টশিংগী পাউতাক লৌনিংই। চীংমাই অমদা পাম্লৌ উনবা হোৎনবদা চহি ৩ / ৪ ফাওবা চংই। লাম্নৈ থাবা, লৈহাও মাংশিল্লকপা, উ য়াম্নৎপনা অকোইবগী ফীভমদা চাওনা শোকহল্লকপা অসি খঙনরকখি। মসিদগী কন্নবা চীংগী লমশিংদা তং তাবা লৌউ পথাপ পায়খৎপগী তঙাইফদবা ওইরে। হৈরা থাবা অসি পার্মেনেন্ট ফার্মিংনি হায়খি।

রিপব্লিক ডে অমসুং মীখলগী চেকশিন থৌরাং কনখৎলে

লোৎলম্বা নোংমৈ ফাগৎলে, এটেক্ট তৌনবা বোম মায় পাকহনখিদ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ লাক্লিবা ইন্দিয়াগী রিপব্লিক ডে থৌরম ফেব্রুৱারিগী অরোইবা অমদি মার্চ থাগী অহৌবদা পাঙথোক্কদৌরিবা তরানিথোইশুবা মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লি মীখলগা মরী লৈননা সেক্যুরিটিনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোম্বীং ওপরেসন চথখ্রে। ওপরেসন অদুদা লালহৌবশিংনা লোত্তুনা থম্লম্বা নোংমৈশিং ফাগৎলে। লালহৌবশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্সতা এটেক্ট তৌনবা ফুম্লম্বা আই ই ডি বোম অমা মায় পাকহনখিদ্রে হায়রি।

পুলিসতগী ফংবা পাউদা বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি হেরোজিৎকী মীৎয়েং মখাদা ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী এডিস্নেল এস পি রোনি ময়েংবমনা লুচিংবা পুলিস কম্মান্দো অমদি ৩৬ শুবা অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাঙবুনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট কুম্বী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খোইজুমান তাবি মখা লৈকায় চীংথক অমদি নাপৎ এরিয়াগী অকোইবদা থিবা হুম্বগী থবক চথখি হায়রি।

হায়রিবা মফম অদুদা লালহৌবা খরা চখোক-চৎশিন তৌরে হায়বগী অকক্লবা পাউ ফংবদগী অপুনবা কাঙবু অদুনা অয়ুক অঙনবদা মফম অদুদা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথখি। থিজিন হুমজিনবগী থবক চথবা অদুদা লালহৌবশিংনা লোত্তুনা থম্লম্বা নোংমৈ অমদি মরুশিং ফাগৎখি। লালহৌবশিং ফাবদি য়াওখিদে। ফাগৎলবা নোংমৈশিং অদুদি এস এল আর রাইফলস ১, এম সিক্সটিন রাইফল ১, এস এল আরগী শেমদোক্লবা রাইফল ১, চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ ১, চার্জর য়াওবা আইকোমগী রেডিও সেট ১, এস এল আরগী মেগজিন ২, তোঙান তোঙানবা নোংমৈ মরু ১৫ নি। ফাগৎলবা নোংমৈ অমদি নোংমৈ মরুশিং অদু করম্বা লালহৌলুপকীনো হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি। মখা তানা থিজিন্নবা ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু কুম্বী পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী কুলজাং ভিল্লেজ মনাক্তা লালহৌবশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্সতা এটেক্ট তৌনবা থৌরাংলম্বা আই ই ডি বোম অমা ঙরাং আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসকী জৌপি অমসুং ফুন্দ্রে বট্টালিয়ান্না মণিপুর পুলিসকা লোইননা মায় পাকহনখিদ্রে।

অকক্লবা পাউ ফংবদগী অসাম রাইফলস অমসুং মণিপুর পুলিসকী অপুনবা কাঙবুনা মতম চানা ওপরেসন চথদুনা বোম ডিস্পোজেল স্কাদনা আই ই ডি বোম অদু লৌথোকখি। বোম অদু অকোইবদা লৈরিবা মীয়াম, সেক্যুরিটি ফোর্স, সুগুনু জৌপি রোডতা চখোক-চৎশিন তৌরিবশিংদা মীশি-মীনা থোক্লম্বা য়াবনি। মতম চানা লৌথোকহৌবদগী খুদোংথিবা অদু থোকহনখিদ্রে হায়রি।

চৈরক অসিদা ঙসি অয়ুক ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি প্রদিপকী মীৎয়েং মখাদা ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী এডিস্নেল এস পি (ওপস) অমদি কম্মান্দোগী ও সিনা লুচিংবা কাঙবু অমনা কৈহাও অমদি বোংবাল খুল্লেন্দা কোম্বিং ওপরেসন চথখ্রে। ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ রোম তাবদা কৈহাও অমদি বোংবাল খুল্লেনগী চীংথক্তা লালহৌবনি হায়না চিংনবা মীওই খরনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপখি হায়বগী অকক্লবা পাউ ফংবদগী ওপরেসন অদু চথখিবনি। চীংথক অদুদা লৈবা খাংপোকশঙদা লৈরম্বা মীওইশিং ভেরিফাইদ তৌখি। মীফা-মীপুন্দি য়াওখিদে হায়রি।

থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি জোগেসচন্দ্র হাওবিজমগী মীৎয়েং মখাদা ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী এডিস্নেল এস পি (ওপস) ৱাংখোম্বনা লুচিংবা থৌবাল পুলিস কম্মান্দোনা ঙসি অয়ুক থৌবাল পাখঙখোংদা কোম্বীং ওপরেসন চথখ্রে। ওপরেসন অদুদা বেল আউটতা লৈবা মীওই ৫ য়াওনা মীওই ২৬৫ রোম মাগী শক্তাক চে পুথোকহন্দুনা ভেরিফাইদ তৌখি। মীফা-মীপুনদি য়াওখিদে।

বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা নম্বোল সাবল লৈকায় ৱার্দ নম্বর ১০ গী য়ুমথোং ১৫০ রোমদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক চথদুনা ইমুংগী মীওইশিং ভেরিফাইদ তৌখি। মীফা-মীপুনদি য়াওখিদে হায়রি।

ইন্দিফিনিট ব্লোকেড

ইরৈৱাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ ভিলেজ ওথোরিটি চিয়রমেন কাউন্সিলগী ভিলেজ চীফ ১২ না পুন্না থাদোরকপা চেরোল অমদা ফাইতোল সেগমেন্টগী সিবিলোং ভিলেজ ফাওবা নেসনেল হায়ৱে নম্বর ৩৭ গী দবল লেন ওইনবা ভিলেজ ১২ গী লম্বী চাওথোরকপদা শোক্লবা লম অমদি য়ুমগী লন-থুমগী কম্পেন্সেসন থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা পীদবা তারবদি নেসনেল হায়ৱে নম্বর ৩৭ মতম কক্তনা ব্লোকেড তৌরগনি লোয়ননা নেসনেল প্রোজেক্টশিংসু থিংজিল্লিগনি হায়রি।

চিংননিঙাই মীশিদা শিরম্লে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ হু থক্লুবদগীনি হায়বী মৌনহা অমা জেনিমসতা লাইকন্নরবা মতুংদা লৈখিদ্রে। নুপী ময়ুমগী মীয়াম হৌরক্তুনা ঈরাং থোকখ্রে। লৈখিদ্রবা নুপী অদুগী মপুরোইবা পুলিসনা ফাজিনখ্রে।

লৈখিদ্রবা মৌনহা অদুগী মমিংনা ওইনাম নিঙোল সোরাইসম ওংবি ধনেসোরি, চহি ৩৭, মপুরোইবনা ইনাওতোন কৌই। পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকায়দগীনি। ঙরাং জেনিমসতা লাইকন্নরবা মতুংদা লৈখিদবনি।

অমরোমদা জিরিবামগী লালপানি পার্ট টুদগী জোইনুন উদ্দিন চহি ৩৩ থাসিগী ১৩ গী নুমিদাংদা চাক তোক্লবা মতুংদা ময়ুমদগী থোকখ্রবা মতুংদা মথংগী নুমিৎতা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখি। মহাক্কী মশাদা লুপা লাক্ষ ২ হেন্না য়াওখি। ফোন তৌরকপদগী য়ুমদগী থোকখিবনি। মীশি অসিগী মতাংদা জিরিবাম পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

কার অমা পুখ্রিদা য়ুংশিনবদগী মীওই অহুম শিরে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ লাইবক থিবা থৌদোক অমদা ঙরাং অহীং মীওই ৩ তোংলকপা কার অমা জিরিবামগী কালিনগর পার্ট ৱানগী ব্রিক ফিল্ডদা লৈবা পুখ্রি অমদা তাশিনখিবদগী মীওই অহুম মক লৈখিদ্রে। ঙসি অয়ুক ৱার্কিং চৎপা মীওইশিংনা কার অমা পুখ্রিদা তাশিন্দুনা লৈবা উবদগী জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন্দা পাউ পীদুনা খঙনরকপনি।

কার মনুংদা শিদুনা লৈরম্লিবা মীওই অহুম অদুদি টি ঐচ শরতচন্দ্র শর্ম্ম (নাওবা) চহি ৪৮ কালিনগর পার্ট ৱান জিরিবাম, লৌতোংবম অনিল চহি ৪৫ কালিনগর জিরিবাম অমদি ৱাই সঞ্জিব চহি ৩০ লমদাই খুনৌ জকুরাধোরদগী হৌজিক্লা কালিনগর পার্ট থ্রিদা লৈবনি। পুলিসনা থৌদোক থোকফম অদুদা চঙশিন্দুনা অশিবা হকচাং অমদি কার অদু লৌখৎখ্রে। হকচাংশিং অদু জিরিবাম ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা হৌনবী মতুং ইন্না কালিনগরদা পোলোইখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা বোরোবেক্রা হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ষ্টাফ ওইনা থবক তৌরম্বা এল আনিলনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিং, টিচিং অমদি নন টিচিং ষ্টাফশিংনা ঙসি অয়ুক স্কুল অসিদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবগী মফমদা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখি। লৈখিদ্রবগী থৱাইনা লাইরম্লেন্দা ঈংনা-চিক্লা লৈবা ওইরসনু, ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল জি মংলেম শর্ম্মগী চেরোলদা হায়রি।

এমসু ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী প্রসিডেন্টগী থৌ পুরম্বা হৌজিক্লা জে সি আই এল পি এস জিরিবাম ব্রাঞ্চকী কনভেনর ওইরিবা ৱাই সঞ্জিবনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা জিরিবাম কেন্দ্রগী এম এল এ মহম্মদ উসব উদ্দিননা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লোইননা লৈখিদ্রবা অনিল অমদি শরতচন্দ্র শর্ম্মগী মফমদসু অৱাবা ফোঙদোক্লদুনা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না এম এল এগী চেরোলদা হায়রি।

মীখল মতম হোংনবা তক্শিনখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ তরানিথোইশুবা মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লি মীখলগী মতম থা অসিগী ৮ দা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লাউথোকখিবা অদুদা লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ২৭ নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা অসি অতোপ্পা নুমিৎ অমদা পাঙথোক্কনবা এক্স এম এল এ বি দি বেহরিংনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া অমদি চীফ ইলেক্সন ওফিসার মণিপুরদা অহৈবা চেরোল অমনা পীশিনখ্রে।

চেরোল অদুদা ফেব্রুৱারি ২৭ নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী মীখল অসিদা চীংগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৯ য়াওরি। এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিশিং অদুদি সাইকুল, কাঙপোকপী, সাইতু, তিপাইমুক, থাংলোন, হেংলেপ, চুরাচান্দপুর, সাইকোৎ অমসুং সিংহাৎনি। হায়রিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিশিং অসিদা খুন্দারিবশিং অসি খৃষ্টান ঙাক্তনি। নোংমাইজিং নুমিৎতা মীখল পাঙথোকপা অসিনা খৃষ্টান কম্যুনিটিগী রিলিজিয়স সেন্টিমেনকী মায়োক্তা লৈরে। ইন্দিয়া অসি সোভরেন্ট, সোসিয়েলিষ্ট, সেক্যুলর, ডেমোক্রেটিক, রিপব্লিক অমনি হায়না ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন্দা য়াওরি। মরম অদুনা হান্নবা থোকখিবা ফাষ্ট ফেজকী মীখল অসি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৩৮ অদুগা সেকেন্দ ফেজগীনা কন্সটিট্যুয়েন্সি ২২ নি। হায়রিবশিং অসিদা চীংগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৯ অসি সেকেন্দ ফেজ হায়বদি লাক্লিবা মার্চ তাং ৩ শগোলশেন নুমিৎতা ওইনা পাঙথোকপিয়ু হায়রি।

ওমিক্রোনগী পোজিটিভ বি জে পিনা থোকহনবনিঃ *সোতিনকুমার*

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ ঙরাং ফাওবদা কোরোনা ভাইরসকী থার্দ ৱেভ ওইরিবা ওমিক্রোন পোজিটিভ ওইবা মীওই ৩৯ মণিপুরদা লৈহল্লক্লিবা অসি বি জে পি লৈঙাক্লা শিনবনি হায়না সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা চপ চানা থাজে। জনুৱারি ৮ দা ইলেক্সন কোদ ওফ কন্দক্ট লাউথোক্লিঙৈদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়বগী খুদোংচাব লৌদুনা ইলেক্সনগী পব্লিক মীটিং মশিং খঙদনা পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল সি পি আইগী সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারগী চেরোলদা হায়রি।

চেরোল অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ইম্ফালদা লাক্তুনা হপ্তা কাঙজৈবুংদা মীওই লিশিং কয়া তিনবা অচৌবা মীফম পাঙথোকখি। মীফম অদু কোভিদ ১৯ গী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখিদে। বি জে পিগী পব্লিক মিটিংদা তীনখিবা মীয়াম্না মাক্স উপ্পখিদে। বি জে পিগী টিকেৎ তান্নরিবা কেন্দিদেৎ অয়াম্বনা মাক্স উপ্তে। মরম অদুনা মণিপুরদা ওমিক্রোন পাক-শন্না শন্দোক্লিবসিগী থৌদাং বি জে পিনা পুফম থোকই হায়রি।

মণিপুরদা কোভিদনা মরম ওইদুনা মীওই ২০০০ হেন্না শিহনখ্রে। মসিগী মথক্তা ওমিক্রোনগী কেস ৩৯ য়ৌহনখিবা অসি লৈঙাক্কী মওং চাদবা থৌওংনি। মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট পংলাওদা লাউথোকই। মিনিষ্টর, এম এল এ, লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগী ফম্নাইবশিংনদি ঙাক্তগা মীচম-মীয়ামদা ঙাকউ হায়রবদি য়াফম থোক্তে হায়রি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা নারক্লিবা মীওইশিংবু চপ চানা শেনফম কাইথোক্তুনা লায়েংগদবনি অমসুং ফহনগদবনি। মেডিয়াদা চেকশিনবনদি ওইথোকপা য়ারোই হায়রি।

গ্যাসকী পাউ

KHORIPHABA GAS, Nambol (Home delivery 0nly)
Bk/ Upto: **uptodate**
Home delivery Contact No. **9366471778, 8837349474, 8787632782**
For Enquiry 9612337528 (8.00 a.m. to 12 Noon)

R & H INDANE **Stk : 306**
Bk: **29/11/21** V/f **20/11/21** (8 a.m. to 12 noon)
(Home Delivery on 2 January) OFFICE NO. 9366013547, 8414824977, 8413936705 & **8132036940**

HRANGCHAL GAS, Old Lambulane
Bk: **03/1/22** V/f **29/12/21**(7.30 a.m. to 11 a.m.)
Booking and Enquiry No. : **0385-244677**, 9436280866

TDK GAS, Sekmai (Home delivery 0nly)
Bk/ Upto: **24/11/21** V/f **21/11/21**
Contact no. **6909614353, 8731992324**

জিরিবামগী লালপানি পার্ট টুদগী মীওই অমা ময়ুমদগী থোকখ্রগা শিনা লৈরম্বগী মতাংদা পাউমীশিংদা পাউদমখিবা

বিষ্ণুপুর পুলিস কম্মান্দো অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা খুৎপু অমনা ওপরেসন চথবদা ফাগৎলকপা খুৎলাইশিন

পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্কনা তেংনৌপল ডিষ্ট্রিক্টকী মেডিকেল ডিপার্টমেন্টদা এম্বুলেন্স গাড়ি শিন্নখিবা